# মালেমদা লৈরিবা মমাশিংনা মচাশিংদা খোল্লাং পীথকপগী পান্দম : মমাঙঙৈ মতমগী মণিপুর অমসুং ঙসি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

অহল-লমনশিংনা অসুম্না তাকপীরম্মী - "মমাগী খোল্লাং লমনদি মচা কনানসু শিংবা ঙমদে, ময়ূম মকৈ পান্দুনা মপারী মমোম ফংজদুনা চায়োক নাওয়োক্তুনা মমা মপা ওইবগী রাইট ফংজবদো খোল্লাং লমন শিংলবনি।" লাইরিক ময়েক চত্তবা ঐখোয়গী ইপু-ইবেনশিংদু লাইশু খঙবগী মতাংদা য়েংনরুরবদি লাইরিক হৈরবনি, খঙলবনি হায়না চাউথোকচরিবা ঐখোয়দি আ তুংদা তুংখমদা লৈহৌরে। মমা ওইবীশিংগী খোল্লাংবু শিদ হীদাকমকনি তাকপীরম্মী। মসিগী মতিক ময়াই চপ চানা খঙলম্বননি। অসুম্না শৈথাবীরম্মী, "হৈরিঙ্গোয়নিদা চানবা হৈনিদা, 'সিবুদ থোইনা হাউবা হৈদি চিন্দম্বা হৈনিদা।" মতম অমদদি মমাগী খোল্লাং থকপা ফংদবা মচা য়াওরমগনি থাজদে। করিগুম্বদা অঙাং অমা পোকপদমক ঙাইরিঙৈদা মমা অদু শিখি-নাখিবা থোক্লবসু ইমুং-মনুং, য়ূমলোন কৈরোন্নবা, কৈরোয় লৈকায়গী অঙাং অনৌবা চেন্দুনা খোল্লাং থোক্লিবী মমাশিংনা মমা কায়নরবা অঙাং অদুবু খোল্লাং ইনবীদুনা মবুক লামহন্দনবা হোৎনরম্মী। মসি তমজনীংঙাই ওইবা মচৎনি। মোইরাং শাইওনগী খম্বা থোইবী ৱারীদা পলেম নৌনা শেৎনখ্রবদা খম্বনা মবুক লামদুনা কপ্পল্লকবদা মচেম খম্নুনা মৌপ্পাবু পোদুনা পুরগা লৈকায়গী মনেম মন্দোনশিংগী মনাক্তা চৎলি। মখোয়না খম্ববু খোল্লাং ইনবীদুনা অরাম খৌরাংবা কোকহল্লি। পূম্নমকসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি, মদুদি মমাঙঙৈ মতমগী মমা পূম্নমক্না খঙলম্মী মদুদি পিল্লিবা অঙাং খুদিংমক খোল্লাং পীথক্কদবনি। মমাখক্তমক নত্তে, মপা য়াওনা মীপূম খুদিংমকনি। অঙাং অমা পোকপদা ইমুং-মনুং, কৈরোই-লৈকায়, খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং, মরী-মতানচিংবা কয়া লাক্নে। মমানা চাবদা হকচাংদা মচি ওইবা এঞ্জাং-নাপি, ঙানচিংবা পুরকই। মাগী খোল্লাংনা মচাবু নাউয়োক্কদৌরিবী ওইবনা মশা-মউ ফনা থম্নবা হকশেল কাঙলোন ফজনা খঙলম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি।

করিগুম্বা মতমদা মমা ওইবী অমগী খোল্লাং মপূং ফানা থোক্ত্রবদি লাইশোন শোল্লগা নুমিদাংৱাইরম ষণগারকপা মতমদা নাম্থনৈ। হীদাক্লোন্দা খোল্লাং থোক্তবা থোক্লবা লাইশোন খরা য়াওরিবগী মনুংদা অমা লৌখৎচরি - "ইমা লৈমরেন শিদবী লৈহনবী লৈহোৎপী/ লৈকীন্থবী খোমদ্রাকপী খোমনৌবী/খোল্লাং নান্থবী চাওবীগী খোল্লাং নান্থবীরকউ/গুরুগী য়াথংনে।" লাইশোন অসি ঈশিংদা শোল্লগা পীথকপা নৎত্রগা চাক্লচিংবা চাননবা পোত্তা শোল্লগা পীজগদবনি হায়না পল্লি। মতৌ অসুম্না মমা ওইবীশিংগী খোল্লাংবু তঙায়ফদবনি খঙনা মখল মথেলগী পান্থে শীজিন্নদুনা ফংহন্নবগী ৱাখল্লোন লৈরম্মী। মসিনা ওইরম্বসু মীওইবা খুন্নাই অয়াম্বদা নুপা ওইবশিংনা মপান থোক্লা থবক শূরগা নুপী ওইবীশিংনা ইমুং-মনুংগী কূপ্লোমগী থৌদাং পুরম্বগী মরমদু। মখোয়গী খোল্লাংনা মচাবু নাউয়োক্কদবা মরম্না মপুরোয়বনা মপান থোক্লা ইমুং পুবা ঙম্নবা থবক চৎখ্রিঙৈদা মচা চেনবী মৌশিংনা য়ূমগী থৌ পুহৌবনি হায়না লৌবা য়াই। মমাগী খোল্লাংবু খৌরাংজবা মচা হায়বসি তাইবঙ মীওইবখক্তগী ৱাফম নত্তে, মমাগী খোল্লাং থকপা থৱায় পানবশিংসুনি। ষণ, ইরোই, হৌদোং, হামেং, ওক্লচিংবসু পোকপগা মমাগী খোল্লাং থকই। ঐখোয়গী থাজনবী অমা লৈ মদুদি থবক চৎপদা মচাবু মবুক পীথক্লিবী ষণবী উরবদি দাউ য়াই। ঐগী ওইনসু চুম্বরা খল্লি। মসিনা লমহাং লমজাউদা থাদোকপা ষণশিংগী ৱানি। অমরোমদা মখোয়দি মরাইবক ফৈ। মমা মচা অনীমক পেঞ্জরমগনি, কনাগী মীশৌ চঙদনা মবুক পেন্না মমাগী খোল্লাং থকপা ফংজৈ। ঐখোয় মীওইবসি কৈনোমা তৌই, ঐ খঙদে মী খঙদে করিগুম্বা অমা তৌবদা ইশাগী ওইজবনা হেক হেক মাঙওইনগল্লি। শঙ্গোম থোকপী ষণবী লোয়নৈ, শঙ্গোম শুল্লগা য়োন্নবনি। হায়রিবসি নথৌরা হায়রকপসু য়াই, য়েংবদা নুংঙাইতবা য়াম্না য়াওই। ষণনাওদুনা মমাগী খোল্লাংদু থক্লীং-থক্লীং খাঙহল্লগা শুমদোকপীবদু মমা মচা অনীমক্না শাপ চাইরমদৌবোই নীংই। অদুনরা খঙদে হৌজিক মতমদা মমাগী খোল্লাং থকপা ফংজদবা অঙাং মশীং নোংম-নোংমগী হেনৎলক্লিবসি।

"শা, ষণ, হুই, হৌদোংনচিংবদি মচা হেক পোকপা মীৎকুপ্তা কনানসু তাক্লবা নাইদনা মচাদু খোল্লাং পীথকই। পূম্নমক্তগী অথোইবা অশিংবনি হায়রিবা মীওইবদি তাক্ত্রিমখৈ খঙদে। ঙসিসু মালেমগী ওইনা মচাশিংদা খোল্লাং পীথকপগী ৱাখল তামিন্ননবা পাঙথোক্লি, মসিসু অঙকপা অমনি।" ৱাফম অসি হেক তাবদা নোক্লিংবা ফাওরবসু থাঙ্গৈশেংনমক অচুম্বা ৱাফমনি। হৌখিবা ওগষ্ট ৬, ২০১৯ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ব্রেষ্ট ফীদিং প্রোমোসন এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (বি পি এ এম) অমসুং মেনেজমেন্ট ওফ জিবন হোস্পিটাল, ককচীং অনী খূৎশম্নরগা মালেমগী খোল্লাং পীথকপা চয়োল থৌরম জিবন হোস্পিটাল, ককচীংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা ডা. এন নবকিশ্বরনা পীবা ৱারোলদা য়াওখিবনি। হোংলক্লিবা খুন্নাইসিগী মচৎ মওং অসিদা পাঙথোক্তবা য়াদদুনা পাঙথোক্লিবনি। মসিনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবদা খোঙজেল য়াঙশিনহল্লগনি খল্লুবদা নুংঙাইবা ফাওই। নুমিৎতুদা অখঙ অহৈ ডাক্তরশিংনা তাকপীখি, "মমাঙথক্তা নোংচুপ লৈবাকশিংদা মমাগী খোল্লাং পীথকপগী চাং অসি য়াম্না নেম্লম্লবসু নোংমা নোংমগী চাং ৱাংখৎলক্লি। অমরোমদা ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনদি চাং নেমথরকপনি, মদুননি থৌরম অসি মফম মফমদা পাঙথোক্তুনা পান্দম অসি চান্মদা চান্মা মায় পাকহন্দবা য়াদবনি।" তৌববুদি হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগীনি, মমাগী খোল্লাং মহাউ খঙজদ্রবা অঙাং মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং লৈরক, নালা, নারক-মোংশোংদা হুন্দোক্লম্বগী থৌদোক ইতৎ তত্তনা থোক্লি। লাইবক ফদুনা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদা য়োকখিবসু কোঙ্গায়নি। মদুমক ওইদুনসু মমাগী খোল্লাং মহাও কমদৌই খঙদবগী অৱাৎপদুমদি করিমত্তনা মেনখৎপা ঙম্লরোই। পুন্সি মহিং, থৌশূ থৌচৎ হোংলকই, নুপীশিংনা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী ওফিস, মহৈ লোইশঙ, হোস্পিটালনচিংবগী থৌমী ওইরক্লে। মখোয়গী মচাশিংনা খোল্লাং মপূং ফানা থকচবা ফংলব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্ত্রে। অঙাং নুপা নৎত্রগা নুপী পাম্বা মমা মপাশিং, অদুগা মশাগী ওইবা অঙাং লৈতবশিংনসু অতোপ্পা অঙাং য়োকপগী থৌওং অসি খূমাঙ চাওশিল্লক্লি হায়বা য়াই। অঙাংশিং অসিগী মরাইবকসু চপ মান্নে। হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইরিবদি কনাগুম্বী মমাশিংনা শওং শাবান ফজনা মপোপ কায়দনা থম্নবনি হায়দুনা মচাবু খোল্লাং পীথক্তবা য়াওরকপসিনি। অমরোমদা নাওরোন খুবী মমাগী খোমথক্কী অঙাং কয়া মমাগী খোল্লাংগা লাপথোক্নহল্লি। খোমকক্লাই হায়না খঙনবা ঙক চেংশিল্লগা পুক কংথোকপগী লায়না অদু নারক্কনি হায়বগী থাজনবী মমাঙথক্তগী লৈরকপননি।

মতৌ অসুম্না পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিং অসিনা অঙাং খুদিংমক চহী অনী ফাওবদি মমাগী খোল্লাং পীথক্কদবনি হায়বা হকশেল কাঙলোন অসিদা অকায়বা পীরি। অমুকসু অখঙ অহৈশিংনা তাকপীরি মদুদি মমাগী খোল্লাং মপূং ফানা থকপা অঙাংশিং আই ক্যু ৱাংবা হেনবা, মশা মউ ফবা হেনবগা লোয়ননা মমা মচা নুংশিনবগী মরীসু ফগৎহল্লি। অখঙ অহৈশিংনা থন্বীবা ৱাফমগী মতুং ইন্না থা তরুক মপূং ফাদ্রিবা অঙাং অমদা মমাগী খোল্লাং নত্তনা অতোপ্পা মহী নৎত্রগা মপংগী পোৎলম পীজবা ফত্তে। ঐখোয়গী চৎনবীদসু অঙাং নুপীনা থা মঙা, নুপানা থা তরুক্তা চাউম্বা হায়বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মপং পীজবা হৌই। অদুবু পঞ্জরিবা থা মশীং অদু পারকপা মতমদা নুমিৎ মশীং চপ চানা ফংলিব্রা হায়বদু খন্থনীংঙাই ওইরি। অঙাং অদু পোকপা মনুং পুং অমগী মনুংদা পীথকপা খোল্লাং অদুক্কী মতিক কান্নে হায়। লাইবক থীবদি মতম খরগী মমাঙদদি পীথক্লরমদে, অতোপ্পনা ইনবিবা নৎত্রগা খোইহী লেকহনবনচিংবা তৌরম্মী। হৌজিক্তি মওং অসি লৈত্রে হায়বা য়াই। অসুম্না লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌবী নুপীশিংনা অঙাং উনবগী ছুটি থা তরুক ফংলে। লন্নাই লোইশঙশিংগী ওইনদি মসিমক মপূং ফানা চৎনদ্রি হায়বা য়াই। য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা জিবন হোস্পিটাল, ককচীংগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. ৱাই অশোক কুমারনা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংদসু খুদোংচাবা অসি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মমাগী খোল্লাং পীথকপগী পান্দম মায় পাকহন্নবা খোঙথাং অমনি। পান্দম অসি মপূং ফাহন্নবা তৌগদবা ময়াম অমসু লৈরি। মদুগা লোয়ননা অঙাং য়োকপা তারবসু থা তরুক মপূং ফারবা মতুংদা ওইহনবা য়াই। ফৈ খনবা থবক্তুদি মায় পাক্লবা ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবগী মতম ওইরে। ●

# নীংতম্বগী থৌরম পাঙথোকপা অমসুং মণিপুরগী মাঙদা তারিবা ইস্যু

- এম থম্বৌ -

অঙনবা মতমগী ইস্যু ফন্না ফাকউদ্রবসু কুমজা ১৮৯১গী মণিপুরগী এঙ্গলো ৱারদা ইশাগী নীংতম্বা মাঙখিদুনা মণিপুর ইমাগী অথৌবা মপারি কয়া থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থঙ্গাল জেনরেলনচিংবা অথৌবা কয়া মঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎখিবা, মদুগী তুংদা মণিপুর খা-রাই খঙদনা অৱাবা মায়োক্লখি। অসিগুম্বা মতম অসিদনি নুপীলান অনীরক থোকখিবা। অহানবা নুপীলান থোকখিবসি মীখা পোল্লবা মতুং চহী তরাহুমদোই-খক্তা ঙাইরিবা মতম অদুনি। মতম অদুদা সাহেবশিংগী বঙ্গলো মৈ চাক্লম্মী। মৈ অদু মীয়াম মরক্তগী থাবা ওইরমগনি হায়না লৌরম্মী। মরম অসিদগী মৈ থাবা মীওই থিবা ফংদ্রবদা ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা নুপামখৈ কৌখৎতুনা অনৌবা বঙ্গলো শানবা য়াথং পীরম্মী। মসিদা নুপা ময়াম্না বঙ্গলো শানবা হোৎনরিঙৈ মতমদা হৌনরুবা নাইদনা নুপী ময়াম হৌরক্তুনা নুপা ময়ামদু তানখায়খি অমসুং মপোৎ মচৈ ময়ামদুনা নম্বুল তুরেলদা হুন্থখিরম্মী। মদুবু অহানবা নুপীলান, কুমজা ১৯০৪ অসিনি।

অমনা সাহেবশিংনা মোনোপোলি শানদুনা মণিপুরগী ফৌ চেঙ পূম্নমক ফাজিন্দুনা মপান্দা থাদোকখিরম্মী। মদুদা চেঙ মেরুক অমফাওবা চোইনা ৱানবা ফংনরমদে। মতমদুদা মীয়াম অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লখি। মতম অদুদা নুপী ময়াম হৌরক্তুনা মপান্দা চেঙ থাবা থিংনবা অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। ইমা ইবেল কয়া মশাদগী ঈখেং তাখিরম্মী অমসুং সাহেবশিং খাঙবা ঙমখিদে। মদুবু অনীশুবা নুপীলান, কুমজা ১৯৩৯, দিসেম্বর ১২ হায়না খঙনখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪ অমদি ১৫গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা ইন্দিয়া নীংতম্বদা মণিপুরসু য়াওরে। মতম অদুদা মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্রনা নোংমৈ ১৮লক কাপ্তুনা অহিং অদুমক্তদা কংলাদা মণিপুরগী পাখঙবা য়েকপা পাফল ফিরাল মনীং তম্না পাইহনখিবনি। মতম অদুদগী হৌনা মণিপুরগী মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমজদুনা লৈবাক ঙাকলোন নিংথিনা চথ্নবা হৌখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী মীখল তৌদুনা মীয়ামগী মীহুৎ খনবসু মণিপুরনা মাঙজিন থাখ্রবনি। অদুবু কুইদে মণিপুরগী নিংথৌবু নিংথৌগী মখাদা লৈজবা লৈঙাকপশিং অমত্তা তাকপীরমদনা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা শিলোংদা কৌদুনা মোরেল গ্রাউন্দদা লোক-অপ্তা থমখ্রবগী তুংদা মথং থা ওক্টোবর ১৫দা নিংথৌগী খূৎয়েক পীহন্দুনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমদুনা তিলহনখিবনি। মদুসু য়াম্না হন্থবা থাক্তা পার্ট সী ষ্টেটসতা থন্বীখিবনি।

মতম অদুগী মণিপুর ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতগী নিরগা চাবা, করিগুম্বা পোলিসি অমসুং প্রোজেক্ট অমত্তা নীংতম্না তৌজবা ঙমজখিদ্রবনি। মদুগী মতুংদা অফস্পা থমজিন্দুনা মীওই কয়া বালিগী হামেং ওইখ্রবনি। অফস্পাগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্লি। এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দা ঙমখৈ কক্তবা ক্লোজ অমা য়াওশিনবদগী মণিপুর মৈ হৌখি অমসুং মীওই ১৮ মথৌনা ফনা মথ্বায় কৎখিবনি। আই এল পিগী ঈহৌদা অমুক্কা সাপম রোবিনহুদ থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। হৌজিকসু সী এ বিগী ৱাথোক অমুক লাক্লগনি। মসিমক হন্দক্কী লোক সভাগী বি জে পিগী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হায়খ্রবনি। মসিগী ফল কুইদনা লাক্লগদবনি। হৌজিকসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগাগী ৱাথোক্কী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরকপা নুংঙাইনবা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা হাপখ্রিবা অসিনি। অসুম্না মাঙদা তারিবা ইস্যু ময়াম অসি তশেংনা মমা লৈবাক নুংশিবা, লমদম অসিবু কঞ্জনীংবা মীয়াম অমা লৈরবা মতমদতা কোকপা ঙমগদবা মরম্না মীওই খুদিং মমা লৈবাক নুংশিবগী ইহুল চেলহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। মসিনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী লৈবাক নীংবগী থৌরম অমদি নীংতম্বগী পালন মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা, মীয়াম্বু থৌনা হাপ্পীদুনা মমা লৈবাক নুংশিবগী অমদি কন্নীংবগী ৱাখল চেলহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মচাক অমা ওইরক্কদবনি। মসিখক্তনা ইস্যু কয়া অসি কনবা ঙমগনি।

মীয়াম্না পূনশিন্দুনা মমা লৈবাক নুংশিবগী ইহুল চপ মান্ননা লৈনরবদি ইস্যু কয়া অসি লোইশিনবদা করিসু নত্তে, য়াম্না লায়না লোইশিনবা ঙমগনি। মতাং অসিদা মীয়ামবু হিমাই চুম্বীগদবা সী এস ও কয়া য়াম্নমক তঙাইফদনা চঙই। অসিগুম্বা মীয়ামগী মমিৎ মমাই পাংহনগদবা সী এস ও কয়ানা থম্মোয় শেংনা, থৌনা লৈনা মীয়ামগী লম্বী তাকপীদুনা ইস্যু কয়া অসি লৈমায় অসিদগী তকথোকখিগদবনি। মসিদা ইমা ইবেল অমদি মহৈরোয়গী কাঙলূপ কয়া মতম চানা শেম্বা য়াম্নমক মথৌ তারকই।

মণিপুরদা মহৈরোয়গী ওইবা অপূনবা ঈহৌ শাগৎপা অসি ইহান হান্না জন নেতা হিজম ইরাবতনা জোনষ্টোন স্কুলদা শুপ্ন গী ক্লাস ফাইভখক্তা তম্লিঙৈদা ওজা অমনা মহৈরোয় অমদা ৱারকপদা খোঙপাক্লা কাওরুবগী থৌদোক্তা মহৈরোয়গী ঈহৌ হৌদোকখিবনি অমসুং স্কুল ওথোরিটি খাঙবা ঙমদদুনা মহৈরোয় খুন্নাইদা লাল্লে হায়জখি। মসিমক মহৈরোয়গী অপূনবা শক্তিনি। মহৈরোয়না মহৈ তম্লগা লৈবাক্লা ঈশিংদা লুপখ্রবদা মখোয়সু য়াওনা লুপখিগদবনি। মমৈদা তুংগী ফুরুপ অসিগী যূম্বী ওইগদবা কয়াগী পুন্সিনা লৈতানা হিংবা ঙম্লক্লোই। লাইরিকখক্তা তম্লগা মমা লৈবাক নুংশিবা অমসুং মমা লৈবাক কন্নীংবগী ৱাখল চেন্দ্রবদি মাগী মহৈদু কান্নফম খঙদ্রবা মহৈ তাদুনা তোক্কনি।

ঙসিগী মণিপুর মরুওইনা ইমা লৈবাক অসিগী লাইবক মহৈরোয় খুন্নাইগী মখূৎতা লৈরিবনি। মহৈরোয় খুন্নাইনা লিংজেল অমত্তা ওইনা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎতুনা ইরমদম অসিগী মাঙদা তারিবা ইস্যু কয়া অসি লোইশিনবদা মখোয়গী থৌদাং হায়নীংঙাই লৈতনা চাউই। মহৈরোয় খুন্নাইনা মালেমদা তৌবা ঙমদবা থবক অমত্তা লৈখিদ্রি। অদুনা ফুরুপ অমনা অৱাংবা থাক্তা শেম্বদা মহৈরোয়না পূম্নমক্তগী অথোইবা মথৌ তারকই। ওজা-গুরু কয়ানসু মহৈরোয় কয়াবু লাইরিক তম্ববগী মথক্তা লৈবাক নুংশিবা, নীংতম্বগী মহাও নিংথিনা খঙহনবা মথৌ তারকই। হৌজিকসু অরুবা ইস্যু অমা অমুক লংশিনবা ঐখোয়না থেংনরি। হন্দক মণিপুরগী অথৌবগী নীংশিং পালন পাঙথোকপদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়ানা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লবদা আর এস এসনা মসিগী পালন থৌরম পাঙথোকপা থোইদোক্লা থাগৎপা অমদি ইকায়খুম্নফম থোকই। অদুবু মণিপুরগী অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গালগী মমি অনীগী কারক্তা ইন্দিয়াগী মেপ অমদা নুপীগী শক্তম অমা য়াওহন্দুনা লৈ-শু কৎহনবা অসি অচুম্বা থৌওং ওইদে। মণিপুরগী শক্তমদা অমুবা কালি তৈশিনবনি। মণিপুরনা নীংতম্বা মাঙখিবা ইন্দিয়াগী মনুং চন্না মাঙখিবা নত্তে। মরোমদোম মনীং তম্না কনাগী মখা পোন্দনা লৈরম্লবা, মমাঙদা ইন্দিয়ানা মীখা পোনখ্রবা মতুং কোন্না ইশাগী নীংতম্বা মাঙখিবনি। ইশাগী নীংতম্বা মাঙদ্রিঙৈদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মসিসু লমদম অসিদা লৈবা মীয়াম্না য়াম্নমক চেকশিনবা মথৌ তাই।

অরোইবদা, মণিপুরদা অহিংবা মৈগী চীং অমা ফুমদুনা লৈরি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম পূম্বনা কাউদনা নীংশিংবা মথৌ য়াম্না তারক্লি। হায়রিবা মৈ হৌরক্কদবা মৈবুলসি কৈদৌঙৈ পোক-খায়গনি হায়বা তম্বা ঙমদে। মসিদগী ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং মতম চানা লৌখৎপা মথৌ তাই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## সী এস ওশিংদা অচৌবা ইনোৎ হাপ্পা মতম য়ৌরে

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইন্দিয়া অসি তুং কোয়না মরা চেৎপা অমসুং চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা তুংলমচৎকী শান্না উবা ঙম্বা থৌনা-পাঙ্গল লৈবা ইন্দিয়াগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা কনাবুসু নাচুংদনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতম মতমগী শোন্থরক্লবা থৌরীশিং অদু শিন্দোক্লবা হোৎনরক্লি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা তুংদা চয়েৎনবা, অপনবা পীরকপা য়াবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকলশিং অদু প্রি-প্লান তৌদুনা লৌথোক-লৌশিন, হাপতোক-হাপচিন তৌবা ঙল্লিবা লৈঙাক অসিবু অমবু ওইরে অমবু ওইরে ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না থৌনা ফবা অমসুং থাগৎফম থোকপা লৈঙাক্কী খুদম অমনি। নেসন অসিগী ইন্টরেষ্টতা ৱান রিলিজন, ৱান লেংগ্বেজ, ৱান কন্সটিট্যুসন অসিনচিংবগী থাক্কী ৱাখল্লোন্দা লৈঙাক্কী মঙলান কয়া শাগৎতুনা ইনৌ নৌবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লক্লিবসি মতিং ফুদোক্তুনা লৈঙাকপা ঙম্বগী মওং মতৌ অদু উৎলিবনি। ইন্দিয়া মনুংদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক ঐগী মীগী নাইদনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা লৈবাক অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী কাচিন কোয়া মফম খুদিংমক্তা লম লৈবা, য়োনবা, খুন্দা লৈতাহনবা, চারৌ মৌরৌনবা অসিনচিংবা য়াহন্নবা লৈঙাক্কী নুংগী ওইবা পোরম কয়াসু য়াৎলক্কদৌরি। ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা লৈবাক্কী পোরমশিং অসিদি তপ্পবু ওইরবসু থুনবু ওইরবসু পেনামুক লায়না থবক ওইনা পাঙথোরক্কদৌরি।

অমরোমদা, য়াম্না অমুক লুরক্লিবা ফীভম্না চহী চা কয়া মশাগী লিরবা পুৱারীগা মনীং মখা তম্না লৈরকখিবা হৌজিক্লা ইন্দিয়াগী ফীবান্নুংদা তিনখ্রদুনা ইন্দিয়ন ষ্টেট ওনখ্রবা, লমসু পীশক পীকপা মণিপুর অসিদা য়েলহৌঙৈদগী শক-চু, লোন, নাৎনচিংবা পুমখেন খেন্নদুনা লৈরক্লিবা মীশিংসু য়ামদ্রিবা মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিং অসি ইন্দিয়াগী অনৌ অনৌবা য়াওলদা য়াওশিনহনবদগী কাঞ্জ থাঙ ওইনা লৈদুনা ফুরুপশিংগী শক্তম্নচিংবা মুৎখিগদ্রা নৎত্রগা অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী নেসনল ইন্টরেষ্টতমক খল্লগা চথরক্লিবা মখল কয়াগী য়াওল অসিবু মরুওইনা মণিপুর অমসুং অতৈ নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট মচাশিংদা চৎনহন্দনবা লমদম অসোমগী মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা পূন্না লাম্থেংনহৌবনা তুংগী ওইনা ফহৌগদৌরিব্রা হায়বসিনি।

অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী নেসনল ইন্টরেষ্টকীদমক অঙক-অঙকপা লৈঙাক্কী অহোংবা কয়া অসিনা মণিপুর অমসুং অতৈ নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তায়োন্নবা ওইনা থোকহল্লক্কদবা ওইরবা অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লৈঙাকলোয়শিংনসু মতিং ফুদোক্তুনা 'নো সর' হায়বগী মহুত্তা 'য়েস সর' হায়দুনা নীংজিং মাংজিং, কিথি-কিরুম তৌদুনা লৈঙাক চথখিবা তারবদি অদুগুম্বা তায়োন্নবা থোকহনগদৌরিবা সেন্টরগী লৈঙাক-পোরমশিং অদু থিংননবা অততাই ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবসি সী এস ওশিং অমসুং লৈবাক মীয়ামনি। অসিগুম্বা সী এস ওশিং অসি থম্মোয় শেংনা পোক্লফম মরৈবাকপু নুংশিজবা, মথৌনা মরিংজেল লৈবা অমসুং তুংগী শান্না উবা ঙম্বা মরৈবাক নীংবা ঙাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

করিগুম্বা মতমদা মতম চানা থিজিনবা ৱাৎহৌবদগী নৎত্রগা করিগুম্বা মরম খরদগী থিবা খঙবা ঙমহৌদবদগী পুৱারীগী ঈচেল অসি তাঙ্কক খরদা শম্নফম খঙদবা অতৎ-অরাক য়াওদবা নত্তে। পোলিটিকেলগী ওইবা থৌদোকশিং - মর্জর এগ্রীমেন্ট, ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসন অসিনচিংবা কয়া লৈদুনসু মণিপুরগী লিরবা পুৱারীনা থিন্দুনা তাক্লিবদি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু, নিংথৌরেল কয়ানা মণিপুর অসি তুংগী মীরোলগীদমক নীংখা তম্না হিংজনবা শম্বল খাদুনা তোমথিন ওইনা থন্বীরম্বা ইমা লৈবাক মণিপুরনি হায়বনি। হন্দক্কী তাইবঙপান অসিদা মফম কয়াদা অমুক হন্না শেম্বা ঙম্লরোইদবা ইমা-শক্লবী ইমা লৈবাক মণিপুর অসি কলহৌবা ঙমদ্রগনা ঐখোয় পূম্বা মহাক্কী অশেংবা মমা নীংবা, থৌনা ফবা মচাশিং হায়বদু ওইররোই। লম য়োম্থোক য়োম্থোক্তুনা অতোপ্পগী য়াকা ঙাই-ঙাইদুনা পংহিং হিংনবা উরক-ৱারক্তা পংচেন চেনবা তারক্কনি। খুদিংমকসি কলহৌসি হায়রগনা ঐখোয় খরদনা নোংমৈগী মমাঙদা তা খৌশাবনদি য়ারোইদবনা পূন্না অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়ননা তা খৌশাদুনা, থাঙ্গোল হাইদুনা নীংহন্নবা লৈতনা দেমোক্রেসিগী লাম্থেং চথবা তাবনি। লোয়না লোয়ননা হৌখ্রবা অমসুং হৌজিক্কী পোলিটিকেল ব্লন্দরশিং চুমথোক্তুনা হরাও তয়াম্না পূন্না জগোয় শামিন্নবা, পূন্না ঈশৈ শকমিন্নবা নত্তনা অতৈ পান্থে লৈতে।

মরম অসিনা লোকেল ক্লবশিংগী লৈকায় লৈকায়গী থৌপুবা-থৌপুবীশিং অমসুং মীচম মীয়াম্না য়াওশঙ কুন্মৈ অমসুং অতৈ লৈকায়গী অপিকপা থবক থৌরমশিংদা থৱায় হকচাং য়াওবীবগী মথক্তা সী এস ওশিংদা অমুক্কা হেন্না অচৌবা ঈনোৎ হাপ্পীদুনা ইমা লৈবাক মণিপুর অমসুং মহাক্কী অশেংবা মচাশিং ঐখোয়সে মালেমদগী মুৎখিদনবা হোৎনবদা হেন্না মতেং পাংশিনবা মতম ওইরে হায়জনীংই।

অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট

মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।